# লমদমসিগী শৈশকপু মালেমদা শক তাক্লিবী তাঙলবী শৈশকপী লৌরেম্বম বেদবতি

- নানি

লমদমসিগী তাঙলবা ফজরবা নাৎ শক্তমগা শাগোন্নরবা শৈশক খুনুং ঈশৈবু মালেমদা শক তাক্লিবীনি লৌরেম্বম বেদবতি। মহাক্কী ফজরবা খোলহেক অমদি শৈশক শৈদা কয়া মালেমগী মমিং লৈরবা মফম কয়াগী তাঙলবা ষ্টেজদা থোক্তুনা শক্লুরে। ঐখোয়গী শৈশক অদুগী সুরনা মখোয়গী থম্মোয়দা থেংলবদা মণিপুরবু হেন্না মশক খঙবা অমদি হেন্না নুংশিজবগী ঈথিল কয়া পীরুরে। লৌরেম্বম বেদবতিনা চৎখিবা মফম খরদি- য়ু কে, ইটালি, য়ু এস এগী মফম কয়া, রসিয়া, জপান, অষ্ট্রেলিয়া, কোরিয়া, সিঙ্গাপোর, বাংলাদেশ নচিংবনি। লোইনমক নীংশিংবা থোক্ত্রে, ফনা য়াম্বা মফম কয়াদা চৎতুনা ঐখোয়গী ঈশৈ অসি মহাক্না নাইতোম ওইনা শক্তুনা ঈশৈসিগী অঙকপা কয়া মীয়ামদা পীরুখ্রে।

লৌরেম্বম বেদবতি, উখ্রুল রোদতা লৈবা শৈজাং হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মফম অদুগী অকোয়বগী ফীভম অমদি খুঙ্গংগী ওইবা ফজরবা চীংয়াগী লিরিনা হুন্লিবা নুংশিৎ, লৌ শুবা ইনে-ইন্দোন কয়ানা মচীন্দা ঈশৈ ঙংদুনা শকপা ঈশৈশিং তারুবদা পূক্লিংদা ঈশৈগী ঈথিল অদু চপ চানা ফংখি। অসুম্না পামজনা হৌরকখিবনা মমিং লৈরবা ওজা কয়াগী মনাক্তা চৎচদুনা ঈশৈ তম্বা হৌজরকখি। ঙসিদি মহাক্কী তোপ-তোপ্পা শৈশক অমা মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনরে। শৈশক অমদি খোঞ্জেলতং তাবদা মহাক্কি হায়বা ইরায় লায়না খঙনরে। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা লৈঙাক্কী ওজা অমা ওইদুনা মতম শাংনা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌরকখি। লুরিবদি লমদমসিগী মীয়াম পূন্সিগী নাৎকা শাগোন্নদুনা লাক্লবা শৈশক অসি নোংম-নোংমগী ময়েং তাশিল্লকপা অসিনি। ৱাখল্লোন অসিনা লমজিংদুনা সর্ভিসতগী পোত্থারবা মতুংদা শৈশককোন হায়বা ফোক ম্যুজিককী স্কুল অমা কুমশীং ২০১৪ দগী হৌনা লৌরেম্বম বেদবতিগী লিচিং মখাদা শাফোঙলকখি। স্কুল অসিনা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা নাৎকী ওইবা শৈশক কয়াবু অনৌবা মীরোল অসিদা তম্বীদুনা লাক্লি। কাঞ্চুলদগী শেমগৎলকপা অপীকপা পান্দোং কয়ানা কাংদোং ফাদুনা মশা-মরেং ফল্লক্লে। কয়াদা নুংঙাইরবা, কয়াদা য়াইফরবা?

মৈনা ৱাই তাংনা শম পরিং নাইনা চত্থরকপনা হৌরক্লিবা নহাশিংদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা, ফিথুপ নাইনা থুপ্তুনা চীংজাওগুম্না মরোল-মরোল পৈখৎতুনা থম্বীরম্বা নাৎকী ওইবা শৈশক মখল কয়া অসি মাঙদনবা মরন্নাই ওইনা কন্না হোৎনরি। অদুম্নমক্তি ওইরগা হেন্না মিপাইরিবদি, লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা অকনবা মীৎয়েং চঙশিনবা ৱাৎপনা মতমগী অহোংবা মরক অসিদা ঐখোয়গী শৈশকশিং অসিগী চন্নফম লৈরক্তবনা ময়েং তাশিল্লক্লি। চীং অমদি তম হায়না লৈরিবা ফুরুপ কাঙলূপ কয়াশিং অসিগী মমল নাইদ্রবা খুনুং শৈশক কয়া অসিদা ঐখোয়গী ইশাগী ওইজবা শক্তাক, চৎন-লিক্লম, পূন্সিরোল, ৱাখল্লোন, য়ূম্লৈ-কৈরৈ অমদি মসিবু মনুং হুৎনা থিরুবা মতমদনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোনগী কুপ্লবা কাঙলোন কয়া অমসু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়গী খুনুং ঈশৈদি ঐখোয়গী পূক্লিং-ৱাখল ঈথিলদগী পোকখিবা ঙাক্তনি। অকোয়বদা লৈরিবা হৈরাং-লৈরাং, উপাল-ৱাপাল, উচেক-ৱায়া পূম্নমকশিংগা ঐখোয় মীওইবগা লৈনরম্বা নুংশিরবা মরী অদু ঐখোয়গী শৈশক্তা য়াওই। কনানসু ইনশিল্লুবা তৌদনা পূক্লিং ঈহুলদগী পোকখিবা নুংশিরবা শৈশক কয়াশিং অসি তেক্ত-কায়দনবা মীরোল কয়া লান্না অমুক



হন্না পুথোককখিনবা হোৎনফম থোকই। তশেংবদি শৈরোল অসিদা য়াওরিবা কলচরেল ভেল্যু, এস্থেটিক্স অমদি মসিগী মরু ওইবা কয়া অসি খঙলক্তবনা অরেম্বদা চন্নফম খঙদনা মাঙলিবনি। তৌবগীদি মপান্দগী হুমজিল্লকপা অয়াঙবা ম্যুজিককী শাহুম্না ঐখোয়গী মীরোল অসি হুমদোকখিবদগী ওইবসু য়াই।

লৌরেম্বম বেদবতি ওজা কয়াগী মখাদগী ঈশৈ তমজরকখি। ওজাশিং খরদং পল্লবদা- থৌদাম নোদিয়া, মোইরাং জাতি, থাংজম নুংশি, লমজাও তোম্বা, থাঙ্গ মঙ্গোলজাও, ধনি খাবা, ওজা খোংনাংনচিংবা কয়াদগী ঈশৈ মখল-মথেল কয়া তমজরকখি। মসিদা নৎতনা ময়েক্কী মতাংদা চানা লুখোই, বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, নোংমাইথেম পহারিনচিংবা কয়াগসু মতম-মতমগী মতুংইন্না য়াম্না তান্নরকখি। খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি, ফোক ঈশৈ শকপশিং অসি লমদমসিগী নাৎ শক্তম, অরিবা লোন, মরু ওইনা ফোক লিটরেচর অসি খঙদবা য়াদে। মাগী পূক্লিংদগী থোরকপা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া অদু অরিবা লোন্দাদা পুশিনদুনা, নৎত্রগা ফজবা লোন্দাদা পুথোক্তুনা ঈশৈ ওইনা শক্লক্কদৌরিবনি। মসিগী মথংদা মসি, হায়না পরেং নাইনা লৈবা নত্তে। পূক্লিংদা মতম-মতম তাঞ্জা-তাঞ্জাদুগী মতুং ইন্না ফাওরকপা কয়া অদুনি ঈশৈ ময়েক ওইনা থোরক্কদৌরিবা অসি। হায়নিংবা ৱাহৈ, প্রমাণ-পান্থে, হৈ-লৈগী ফজবা, হৈ-লৈগী লিচৎ কয়া অসি মুন্না খঙদনা হেক্তা মীমাং থোক্না শকপা য়াদে। য়াম্না লুবা আর্ট মখল অমনি। হৌজিক লৈরিবা মতম ঈশৈ, ফিল্ম ঈশৈ অমদি অতৈ শৈশক কয়া অসিদি অইবা অমনা ফজনা ইবীরগা সুর পান্দুনা শকপনি। ফোক ঈশৈদদি সুরসু মশানা পাঞ্জগদৌরিবনি, অদুসু খূদক-খূদক্তা পূক্লিংদা লাকপা সুর অদুনি। ময়েকসু হায়নিংবা ৱাখলদা লাকপা অদু ওইনা হায়গদৌরিবনি। অদুনা মীয়াম, অহল-লমন পূম্নমক্না তাবা য়াবা ওইদবসু য়াদ্রিবনি। অদুনা ফোক ঈশৈ শকপশিং অসিদা য়াম্না ক্রিএটিভ ওইদ্রবদি কৈদৌনুংদা মপূং ফাবা শৈশকপা অমা ওইবা য়াদে। খোঞ্জেল খরা ফরগা মীনা তম্বীবা ঈশৈ অমা অনী ফারগা শকপদুনা অমনি। চপ চাবা ফোককী কেরেক্টেরিষ্টিক অদু খঙনা শক্কে হায়রবদি মশাগী ক্রিএটিভিটি অদু য়াম্না ৱাংদবা য়াদে।

মমাংঙৈ পাখং লৈশা থবক শুবদা লক্লদুনা, হুন্না-হুন্নদুনা শকপা ঈশৈবু কনানা ইগদৌরিবনো? মখোয়গী পূক্লিংদা ফাওরকপা খরা অদু ঈশৈ ওইনা শকপনি। অইবা হায়দুনা তোঙান্না লৈবা নত্তে। খোংজোম পর্ব্ব শকপসু, পেনা শকপসু অদু মঙাই, ওজা শৈশকপশিং অদুনা মাগী-মাগী ঈশৈ অদু ওইনবা, লৈরম্লিবা ৱারী অদুদা মশা-মরেং লোংথোক্তুনা ফজবা থৌদোকশিং শেমজিন-শাজিন্দুনা মাগী-মাগী ওইবা শৈশক থম্মবা হোৎনরিবনি। পেনা শকপা ওজাশিং লৈরমদ্রবদি মণিপুরগী মহাকব্যানি হায়রিবা খম্বা-থোইবী শৈরেং লৈরম্লবসু অসি য়ৌনা অচৌবা চেপ্টর কয়ানা মপূং ফাবা অমা ওইরমদবসু য়াই। মতমদুগী পেনা শকপা ওজাশিংগী ৱারী লীখুন অমদি ৱারী পরিংদা য়াওরিবা থৌদোক-ৱাথোক কয়াশিংগী মচা তাবা কয়া অদুনা মপূং ফাখিবনি হায়না থমজ নিংই। খুনুং ঈশৈ অমদি খুলং ঈশৈসু অদু মঙাই, থোইদোক্লা রিটন লিটরেচর লৈবা নত্তে। মতম-মতমদুগী ওজাশিং অদুনা শেমগৎখিবা ৱারী শীংবুন অদুদগী থোরকখিবনি মখল কয়াগী ওরেল লিটরেচর। মদুনি ঙসিসু মপূং ফানা নীংথিবা শৈশক অমা ওইনা লৈরিবা। মতম অদুগী ওজাশিং অদুগী কোক্তা অমদি মখোয়গী মীৎয়েংদা উখিবা কয়া ঙসিগী নৌনা থোরক্লিবা শৈশকপশিংনা মনুং হুৎনা য়েংদুনা উবা ঙল্লিব্রা? ঙমখিগদ্রা? ৱাহং অসি য়াম্না মরু ওই। ফোক ঈশৈগী মচৎ অমা থিরকপদদি মসিগী মতীক-ময়াই অসি চেন্দবা য়ারক্তে। অদুনা ফোক ঈশৈ শকপা লৈরবসু মীৎয়েং শানবা অমদি ৱাহৈ কম্পোজিসন তৌবা ঙম্বা থোরকপগী তঙাইফদবা লৈরি।

লৌরেম্বম বেদবতিগী শৈশককোন অসিনা অনৌবা আইদিয়া য়াম্না লৈবা নহাশিং শোয়দনা ময়োল চোংহল্লকখিগনি। হৌজিকমক্তদা অফবা শৈশকপদি উরে, অদুবু ঈশৈ কম্পোজ তৌবা ঙম্বা খরা হেন্না থোরকপগী মথৌ তারি। মণিপুরী ফোক সোংগী মমিং লৈরবা শৈশকপী বেদবতিগী ঈশৈগী খূত্থাংদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ম্যুজিক কম্পোজর এ আর রাহমন মশামক মণিপুরদা লাক্তুনা লোক্তাক্তা অমদি মফম খরদা ঈশৈ তিন্নদুনা ইন্দিয়াগী ফোক ঈশৈশিংগী মরক্তা মণিপুরী খুনুং ঈশৈবুসু শরুক য়াহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌখি। পূম্নমকশিং অসিগী মথক্তা লৌরেম্বম বেদবতি থিএটরগী য়াম্না মশক নাইরবী এক্ট্রেস অমসু ওইরকখি। রুপমহল থিএটরদা লিলা কয়া কুম্লকখি। মদুগী মতুংদা মালেম শীনবা থুংনা মমিং লৈরবা কোরস রিপর্টরি থিএটরগী আর্টিষ্ট সিঙ্গর অমা ওইনা মালেমগী মফম কয়াদা চৎতুনা প্লে কয়া উৎতুনা মণিপুরগী থিএটরগী ফীভম হেন্না চেৎশিনহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী শক খঙলবা দ্রামা আর্টিষ্ট অমা ওইনসু মমিং লৈরবা প্লে কয়াদা কুমদুনা মখল-মথেল কয়াগী লিলা কয়াদা শরুক য়াখ্রে। ঙসিদি চহী লৈশিল্লক্লবী তাঙলবী শৈশকপী অমদি শক্তম লাংবী অসি ৱাখলদদি পাঙথোক্লিংবা থবক কয়া অমা লৈরি। তাইবং শেন্বীরিবা মপূনা থৌজাল পীবীরবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি। লোয়ননা লমদমসিগী লেংদ্রবা লনগৈ কয়া অমসু পৈখৎলমখিগনি হায়না থাজে। পূম্নমকশিং অসি শেন্বীবা মপুনা থৌজানবীসনু হায়না থৌনীজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৫।২০২২ইং, নোংমাইজিং;
নমিৎয়ুংবা পুং ১২.৪৬ ফাওবা কালেনগী ১৪ পাল্লি, মতুংদি থানিলনি।

**মেষ:** নীংবা থুংগনি, মরুপ মপাংনা চানবীগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি। মীয়াম পুল্লসু মাঙজবনা হেনবা, হুরানবনা তাথিবা অমদি খৎনবা য়াবা লৈ-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** মরুপ মপাংনা কোক শাহনবা লৈগনি-অনম তানগনু। শেলথুমগী লমদা অমদি কিদনা থৌবদি কান্নগনি। হস্তবা লোয়নরদি চোপকনি, নাপলনা মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন:** মতম মাঙবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা নত্রগা অফা অপুন্নবা লৈগনি-থিজিনবা কল্লু। পল্লম্বা শেলথুম ফংবা, মীনা থাগৎপিবা, হকচাং নুংঙাইবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংবদি তানিংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** অচুম্বা নত্তনা অতৈ উপাই লৈরোই, য়েক্লরম্বনা মীচং ওইখৎলকপগী নুংঙাইজবা অমদি কান্নবা ফংউ হায়বা লৈ। নচা-ননাইগী মতেংনা থবক পাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** লম খুদিংদা মায় পাকপা অমদি নীংজবা থুংবা নুমিৎনি। অশা চাওনা মাংলোমদা চংশিল্লু অমদি খুৎচাও থাবসু য়াগনি। হকচাংসু নুংঙাই, মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** য়েৎনরম্বা ফরনি, থৌনা লৈবা অমদি নক্লবগী মতেংনা ওইজবা ফংগনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি, পোরম শিনবদি হৈবা ৱাৎকনি অমদি ৱাঙাং চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** ঙসিসু নীংবা থুংগনি, পুক্লিং পেন্না নুংঙাইজগনি, অরিবতা নত্তনা অনৌবা থৌরমদা চাওনা মায় পাক্কনি। নথক থোংবনা চানবীগনি। অখং-অহৈদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃশ্চিক:** থাজদনা নুংঙাইবা অমদি কান্নবা য়াম্না ফংগনি, লন চংগনি। মীয়াম লোইনবদগী নুংঙাইজগনি। নাইতোম ৱা তুপ্পদি মাঙগনি, নথক থোংনবা চানবীরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**ধনু:** মীচং হেনগৎপা, ৱাখল থোকপা, নচা-ননাই ফংজবা, অকিবা লৈতনা থৌনা ফুদোকপনা নুংঙাইজবা নুমিৎনি। লাইগুরুনা চানবী, অফবা মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** থবক পাঙগনি, ইমুং মনুংগী ৱা তাবা কান্নগনি, খুৎচাও থানা শেন্দোং তানবসু চাওনা মায় পাক্কনি। মুক্লবা/য়েৎনবদা মাঙজগনি-ঙাইঙমদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** লাংতক্লবা অমদি য়েৎনবনা খুরৌ ইথাং থাংগনি-খাঙবা কল্লু। লনদি হেনগৎকনি, অফবা লৌশিং তানশিনবা মতাং চাগনি অমদি লম চৎপসু মহৈ য়ানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** মীয়াম্না থাগৎপিবা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা কনানসু লাকচবা ঙমদবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা নুমিৎনি। নরলদি চেকশিল্লু, হোয়াসু ফগনু, তস্থগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## এ আই আর ইম্ফালগী ক্যুইজ প্রোগ্রামগী মনা য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটনা ষ্টেট লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস এন্দ কলচরগা খূৎশম্নদুনা চত্থবা অজাদিগা অমৃত মহোটসব ক্যুইজ প্রোগ্রামদা মকোক-মথং তারবশিংদা ঙসি মনা-মথুম ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজদা য়েন্থোকখ্রে হায়না রিজনেলগী ন্যুজ য়ুনিট এ আই আর ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর গিন গাংটেনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর (আর্ট এন্দ কলচর) এম জয়না অথোইবা মীথুংলেন অমদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী হেদ ওইরিবা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর গিন গাংটেনা প্রেসিদেন্ট ওইনা অমদি মণিপুর ষ্টেটকী দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস এন্দ কলচরগী দিরেক্টর এল কেশোরজিৎসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ক্যুইজ প্রোগ্রাম অসিগী ২২ শুবা ইপিসোদতগী হৌরগা ৩৮শুবা ইপিসোদ ফাওবদা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা ৱিন্নরশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি। হায়রিবা ইপিসোদশিং অসি জন্যুৱারী ৭তগী এপ্রিল ২৯ ফাওবা চত্থখিবনি।

ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংখিবা চহী ৭৫শুরকপগা মরী লৈননা চত্থরিবা অজাদি কা অমৃত মহোটসব থৌরমগা মরী লৈননা ক্যুইজ প্রোগ্রাম অসি মমাং চহী ২০২১গী ওগষ্ট ১৩দগী হৌনা চত্থরকখিবনি। ক্যুইজ প্রোগ্রাম অসি ইরাই নুমিৎ খূদিংগী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা নুমিদাং পুং ৭.৩০ মণিপুরী পাউদা শন্দোকপনি। ক্যুইজ প্রোগ্রামদা হংবা ৱাহংগী অচূম্বা পাউখুম পীরকপা খ্বাইদগী ইহান হানবা অহুমবু মকোক-মথং ওইনা খনগৎপনি। হায়রিবা ক্যুইজ প্রোগ্রাম অসি চহী অসিগী ওগষ্ট থা ফাওবা চত্থখিগনি।

ঙসিগী মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমগী অথোইবগী মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা কম্মিস্নর (আর্টস এন্দ কলচর) এম জয়না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অথৌবা-অথৌবী কয়ানা কত্থোকপা অমদি থৌনা লৈনা বৃটিশকী মায়োক্তা নীংতম অন্দোলোন চঙশিনখি। মখোয়গী হোৎনজমল অদুনা ইন্দিয়া নীংতমখিবনি হায়বসি ঙসিগী মীরোলনা কাউফদে। মরম অদুনা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা মমা লৈবাক নীংবগী ৱাখল্লোন মীপূম খূদিংমক্তা শন্দোকপীনবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না মীয়ামদা আপীল তৌখি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা প্রেসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর গিন গাংটেনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংখিবা চহী ৭৫ শুরকপা অসিদা ঐখোয় পূম্নমক্না নীংতম অন্দোলোনদা থৱায় কত্থোকখ্রবা অথৌবা-অথৌবীশিং অদুবু নৌহৌননা ইকোক নোন্না ইকাই খুম্নবা উৎলি। মখোয়গী মমা লৈবাক্কীদমক কত্থোকখিবা অমদি লৌখিবা থৌদাংশিং অদুনা ইন্দিয়া নীং-খা তম্বা ওইবা ঙমদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না হিংবা ঙল্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এ আই আর ইম্ফাল অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্টস এন্দ কলচরগী ওফিসলশিং অমদি মকোক-মথং তারবশিংগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু য়াওখি।



Title : Sonic
By : Akoijam Yoihenba Angomcha
Class : Kg Roll : 7
School : Kids Activity Cenre, Wangkhei Thangapat



Title : Save Tree, Save Water
By : K. Athoiba Mangang
Class : III Sec. : A Roll No. : 4
School : Sacrad Heart School, Yairipok Laimanai




Title : Ice-Cream
By : H. Priyangka
Class : III Roll : 6
School : Little Rose School Sagolmang



Title : Hello Kitty
By : Jessica Chanu
Class : IV Sec: A Roll : 4
School : Standard Robarth, Hr. Sec. School



Title : Carrot
By : S. Jestina
Class : II Roll : 21
School : Little Rose School Sagolmang




Title : Bicycle
By : K. Srinivas
Class : V Roll : 38
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Lamp
By : N. Lilicha
Class : III Roll : 2
School : Little Rose School Sagolmang




Title : Santa Claus
By : Loitongbam Langlen Chanu
Class : IV Sec: B Roll : 40
School : Standard Robarth Hr. Sec. School



Title : Girl hand love
By : M. Nena Devi
Class : IV Roll : 11
School : Bhairodhan Maxwell Hindi Primary School




Title : Landscape
By : Maimom Yangthoi
Class : II Sec: B Roll : 12
School :



Title : Shark
By : Marson Thoudam
Class : III Roll : 36
School : Laisukol, Thoubal Achouba



Title :
By : Ningthouremba
Class : IV Roll : 20
School : Wangoi Makha Leikai Sileiba



Title : Morning Scenery
By : Khristina
Class : IV Sec: A Roll : 59
School :



Title : Spider Man
By : Samuel Kashung
Class : II Sec: B Roll : 40
School : Maheilen Education Centre, Haotal



Title : Teacher
By : Telheiba
Class : V Roll :
School : Maheilen Education Centre



Title : Volcanoe
By : Toijam Shivaraj
Class : V Roll : 21
School : Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।